# ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটি, টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং অর্সনেল গ্রুপ মেটচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে





লন্দন, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

য়ুরোপ কন্টিনেন্টতা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ মেটচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব লেষ্টর সিটি, টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং অর্সনেল মায় পাকপা ঙমখ্রে।

গ্রুপ জিগী ঙরাং লেষ্টর সিটিনা য়ূম্থু ওইদুনা পোর্টুগলগী ফুটবোল ক্লব এস সী ব্রগাগা লম্বা তৌনখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্নগী পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। লেষ্টর সিটিগী কেলিচি ইহেনোচোনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবতা নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জল অমসু চনবদা চাওনা মতেং পাংখি। মহাক্লা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা টিমগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু মহাক্লা টিমমেট চেঙ্গিজ অন্দরনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা কেলিচিনা পীখিবা বোল অমদা টিমমেট দেনিস প্রেটনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৭৮শুবা মিনটতা লেষ্টর সিটিগী জেমস মেদিসননা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি। গ্রুপ অদুদা লেষ্টর সিটিনা মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা মাংজিল থারি।

গ্রুপ জেগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরনা বলগেরিয়াগী লুদোগোরেটস রাজগ্রাদপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখি। বলগেরিয়াগী ক্লব অদুনা য়ূম্থু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৩শুবা মিনটতা হোটস্পরগী মায়কৈদগী লুকাস মোরানা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা হেরি কেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লুদোগোরেটসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা হেরি কেননা অমুক সপ্লাই তৌখিবা বোল অমদা টিমমেট লুকাস মোরানা হোটস্পরগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা লুদোগোরেটসকী মায়কৈদগী ক্লোদিয়ু কেসেরুনা শান্নবগী পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোকখি। অদুবু মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা হোটস্পরগী মায়কৈদগী জিওভানি লো সেলসোনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৩-১দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা বেলজিয়মগী এন্টরেপ অমদি নেদরলেন্দসকী এল এ এস কেগা পূন্না পোইন্ট ৬/৬ ফংমিন্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মাংজিল থারি।

য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব অর্সনেলনা নোরৱেগী ক্লব মোলদেবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুদা টিম অসিনা মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংবগা লোয়ননা মাংজিল থাবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা অর্সনেলনা য়ূম্থু ওইরগা মোলদেগা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অদুদা মোলদেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা মার্টিন ইলিংসেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমা মোলদেগী দিফেন্দর কৃষ্টোফর হোগেনগী মখোঙদগী খেৎলগা চঙখিবা গোল অদুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৭ চঙশিল্লকপদা অর্সনেলনা মখা তানা চত্থরকপা এটেক অমদা মোলদেগী অতোপ্পা দিফেন্দর সেরিফ সিনিয়ানা ঙাকথোক্নদবা বোল অদু মায়কৈ ওন্নবদগী অর্সনেলগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। ২-১দা মাংজিল থারবা অর্সনেলগী মায়কৈদগী ৬৯শুবা মিনটতা নিকোলাস পেপেনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

মোলদেগী মায়কৈদগী অঙনবা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখিবশিং অরেম্বা তাখি। শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা অর্সনেলগী জোসেফ ৱিলোকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

গ্রুপ এগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব রোমানা রোমানিয়াগী ক্লব সী এফ আর ক্লুজবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাফতা রোমাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা হেনরিখ খিটারিননা টিমমেট স্পিনাজোলানা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা রোমাগী জোর্দাননা পাস তৌরকপা বোল অমদা রোজর ইবানেজনা ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

রোমানিয়াগী ক্লব অদুগী মায়কৈদা পাঞ্জল ২ মায়োক্লবা টিমনা চনশিল্লকখ্রবা ফাওবদা হন্দোক্নবা অহেনবা প্রেসর পীশিনবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা রোমাগী বুনোপেরেজনা পীরকপা বোল অমদা বোর্জা মায়োরলনা ৩৪শুবা মিনটতা চনখি।

হাফ লোইরবা মতুং সী এফ আর ক্লুজকী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্লনবা হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী কান্নবা ফংদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা বোর্জা মায়োরলনা রোমাগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লৈখ্রবা মতুং শুপ্নগী মিনট ৫গী মনুংদা টামাসো মিলানিসিনা পীরকপা বোলদা পেদ্রো রোদ্রিগেজনা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা রোমানিয়াগী সী এফ আর ক্লুজবু ৫-০দা থোইখি। রোমানা মেটচ অহুমদা পোইন্ট ৭ ফংলগা গ্রুপ এগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা য়াবগী লম্বেল শেম্বা ঙমখি।

গ্রুপ ঐচতা ফ্রান্সকী ক্লব লিলনা ইটালিগী ক্লব এ সী মিলানবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। লিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম্মক য়ুসুফ য়াজিসিনা চনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা চনখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা ইটালিগী এ সী মিলানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা লিলগী মায়কৈদগী জোনাথন আইকোনেনা পীরকপা বোল অমদা য়ুসুফনা অমুক্তা হন্না টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৩ লৈরগা য়ুসুফ য়াজিসিনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ফ্রান্সকী ক্লব লিলনা ইটালিগী এ সী মিলানবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা লিলনা পোইন্ট ৭ ফংলগা মাংজিল থারি।



চত্থরিবা য়ুরোপা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ আইগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়ালনা ইজরেলগী মকাবী টেল অবিবপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা টিম অসিনা মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

টিম অনীমক অহানবা রাউন্দ অনী শান্নবদা মেটচ ২/২ থোইনদুনা পোইন্ট ৬/৬ ফংদুনা লাকখি। ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা ভিলারিয়ালগী মায়কৈদগী কার্লোস বাকানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ইজরেলগী মকাবীগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীশিল্লক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা, ভিলারিয়ালগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা বাকানা অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু চনখি। অদুগা টিমমেট অলিজান্দ্রো অমদি ফর্নান্দোনা মখা তাবা পাঞ্জল ২ চল্লগা ৪-০দা থোইখি।

## স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈখিদ্রবা মণিতোম্বীগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫গী সেঙ্কসন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদগী হৌখিবা লৈখিদ্রবা ফুটবোল শান্নরোয় লাইশ্রম মণিতোম্বীগী ইমুং-মনুংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাখ ৫ পীননবা সেঙ্কসন তৌখ্রে।

নীংশিংবায়াই, লাইশ্রম মণিতোম্বী চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা মশাগী চহী ৩৯শুবদা ঙাইরিঙৈদা অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি। মহাক্লা ইমুং-মনুংগী অমত্তা ঙাইরবা শেল থোকপা থবক তৌরম্বনি। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপা অমা লৈহৌরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী থৌ পুরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি লাইশ্রম মণিতোম্বীগী ইমুং-মনুংগী মতেং ওইননা লুপা লাখ ৫গী শেনফম অদু পীননবগী



ৱারেপ লৌখিবা অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মণিতোম্বীনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্দা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মহাক ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বতা নৎতনা মতম শাংনা মমিং লৈরবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফুটবোল ক্লব মোহন বগানগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরমখি। মহাক্লা শান্নরোয় অমা ওইবগী থৌদাং অদু লোইশিল্লক্লবা মতুং মণিপুরদা কোচ ওইনা থবক পুরমখি। মহাক লৈখিদবা অসিনা শান্নবগী লম্দা চাওনা মাঙজবা অমা ওইরগনি হায়না রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিতোম্বী লৈখিদ্রবা মতুং মহাক্কী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা শেল-থুমগী অৱাবা অদু খঙলক্লবা মতুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পন্দিট দিন দয়াল উপাধ্যায় নেসনল ৱেলফেয়র ফন্দ ফোর স্পোর্টস পর্সন স্কিমগী মখাদা শান্নরোয়শিংদা পীবা মতেংগী মনুং চন্না মণিতোম্বীগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম অদু মতেং ওইনা পীবনি হায়রি। লৈঙাক্লা মমাংদসু অসিগুম্না শান্নরোয় কয়াগী মতেং পীদুনা লাক্লি।

## শোক্লবসু নেমারগী মমিং য়াওরক্লে

রিও, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় নেমার মশা শোক্লবসু লৈবাক অদুনা সাউথ অমেরিকাগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইং মেটচ শান্নবা টিমগী লিষ্ট লাওথোকপদা য়াওরক্লে।

ব্রাজিলগী কোচ টিটেনা থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৭তা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ভেনিয়ুলা অমসুং উরুগ্বেগা শান্নগদবা মেচশিংগীদমক নৌনা ফ্লেমিঙ্গো ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় পেদ্রোবু টিম অদুদা নৌনা মমিং লাওথোকখি। অদুবু শোক্তুনা লৈরিবা নেমারগী মমিং লৌথোকখিদে।

ব্রাজিল সোকর কনফিদরেসনগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নেমারনা ব্রাজিলগী ক্বালিফাইং মেটচ ওইনা ভেনিজ্যুলাগা শান্নগদবা মেটচ অদুদা শান্নবা ঙমদ্রবসু উরুগ্বেগী মেটচ অদুদা শানবা ঙমগনি হায়না থাজরক্লি।

## সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা দিল্লি কেপিটেলসকা ক্বালিফায়র টু শান্নরগনি



অবু ধাভি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ইলিমিনেটর মেটচতা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৬তা থোইদুনা ক্বালিফায়র টু মেটচতা দিল্লি কেপিটেলসকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৩১ খক লৌবা ঙমখি।



রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী কেপ্তেন ভিরাট কোহলিনা ইন্নিংস অদু টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা ওপন তৌখিবদা শুপ্নগী রন ৬তা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর দেবদট পল্লিকলসু রন ১দা আউট ওইখিবদগী ফিভম শোকখি। অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা বেটচমেন আরেন ফিঞ্চ অমসুং এবি দি ভিলিয়র্সনা মথংশিৎনা রন ৩২ অমসুং ৫৬ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিং রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদবদগী টিম অদুগী মায়কৈদগী রন ১৩১ খক লৌবা ঙমখিবনি।

মায়পাক্লবা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী রন ১৩২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুনা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা ইন্নিংসকী ওভর ১৯গা বোল ৪শুরকপদা রন ১৩২ লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা মায়পাক্তুনা থা অসিগী ৭তা দিল্লি কেপিটেলসকা ফাইনেল য়ৌননবা শান্নগদৌরিবনি।

ঙসি টিম অদুগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটচমেন কেন ৱিলিয়মসননা আউট ওইদনা বোল ৪৪দা রন ৫০ লৌবা ঙমখি। মহাক্লা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈবা ঙমখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নরগী রন ১৭ অমদি অহুমশুবা বেটচমেন মনিস পান্দেগী রন ২৪ অমসুং ৬শুবা বেটচমেন জেসন হোল্ডরগী রন ২৪ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ লৈরোই।

## মেদবেদেব অমসুং রাওনিক সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি

ভিএনা, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদবেদেব অমসুং কনাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিক ভিএনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা আর্জেন্টিনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ দিএগো স্বার্মেনগা লম্বা তৌনবদা অহেনবা প্রেসর মায়োক্লদনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়পাকপা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু মেদবেদেবনা স্বার্মেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা মেদবেদেবকী মায়কৈদগী য়াম্না অহেনবা মশান্না উৎলকখিবদগী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা স্বার্মেনবু ৬-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্লা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু ফ্রান্সকী উগো হমবর্টপু সেট ২-১দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ কনাদাগী মিলোস রাওনিককনি।

রাওনিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ফ্রান্সকী উগো হমবর্টকা শান্নরকপদা অহানবা সেট অদু সার্ভিস ব্রেক অমা ফংদুনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় অদুনা অমুক ফজবা হেনখিবদগী রাওনিককী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা সেট অদু থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা সেট ১-১দা লৈনখি।

অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং সেট অদুদা নাকল অনীমক্তগী য়াম্না লেং মান্নদা শান্নরক্তুনা গেম ১২ লোয়শিল্লকপা ফাওবা গেম ৬-৬তা লৈখিবদগী টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদসু শান্নরোয় অনীনা মান্নবা লম্বা থেংনরকপদগী য়াম্না নক্লবা মওংদা কনাদাগী মিলোস রাওনিকনা পোইন্ট ৯-৭তা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং স্পেনগী পাব্লো কারিনো বুস্তাগা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমা শান্নরগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগা শান্নরগনি।

## লল্লাই এ সীগী অহানবা আই এস এল ফুটবোল্লর পুখ্রম্বম মণিসনাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচএনএস):

নবেম্বর ২০দগী গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ২০২০-২১দা নোংপোক ককচীং খুঙ্গংদগী হৌখিবা পুখ্রম্বম মণিসনানা জমশেদপুর এফ সীদা এটেক্কিং মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরিবনি। মহাক্লা ক্লব অসিদা য়াওদুনা আই এস এল শান্নগদৌরিবা অসিদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম ওইরিবা নোংপোক ককচীং খুঙ্গংগী নোংপোক ককচীং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নোংপোক ককচীং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নাওরেম চন্দ্রকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহাক্লা আইএসএল অসিদা হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমদুনা মতীক চাবা ফুটবোল্লর অমা ওইবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না নোংপোক ককচীং ভি দি সীগী মায়কৈদগী তাইবং মপূগী মফমদা থৌনীজরি। মণিসনাগা লোয়ননা এ সী অসিগী অহানবা আই এস এল ফুটবোল্লরগী মিংথোল ফংমিন্নরবা কেরলা ব্লাষ্টর এফ সীদা দিফেন্দর ওইনা শান্নরিবা সেক্তাদগী য়েন্দ্রেম্বম দিনেচন্দ্র মীতৈবুসু নোংপোক ককচীং ভি দি সীগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। আই এস এল ২০২০-২১দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর প্লেয়রশিংবু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না নোংপোক ককচীং ভিদিসীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুখ্রম্বম মণিসনা লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ইবুধৌ খল্লাংবনা শাগোল্লিবা মফম নোংপোক ককচীং খুঙ্গংদা কুমজা ২০০০গী নবেম্বর ৯দা পিরাজেন অমদি লৈখিদ্রবী পি সর্মিলা অনীগী মচা নিংঙোল ৪ অমসুং পিবা ২ পূন্না মচা ৬কী মনুংদা ইতোন তোনবা ওইনা ফংজখি।

মহাক কুমজা ২০১৬তা টাটা ফুটবোল একাদেমিদা য়াওবা ফংদুনা ফুটবোলগী করিয়র শেম্বা হৌখি। মহাক টি এফ এ য়ু-১৬ অমসুং য়ু-১৮গী টিম কেপ্টেন ওইবগা লোয়ননা জমশেদপুর এঐফ সীগী রিজর্ভ টিমদা য়াওদুনা দুরান্দ কপ ২০১৯দা শান্নদুনা শুপ্নগী চহী ৪দা আই এস এল ফুটবোল্লর ওইবা ঙমদুনা তুংদা অফবা শান্নরোয় অমা ওইদুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা ঙম্নবা হোৎনরিবা শান্নরোয় অমনি। নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা মণিসনা অমদি দিনেচন্দ্রনা মশান্না অসিদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইগদৌরি।

## হোকি মিজোরামবু কুমজা ২০১৯-২০গী খ্বাইদগী ফবা হোকি ইন্দিয়া মেম্বর য়ুনিট খনখ্রে





ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

হোকি ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মেম্বর য়ুনিটশিংনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং অদু য়েংলগা চহী খূদিংগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা য়ুনিটকী মনা অদু কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা হোকি মিজোরামদা পীননবা লাউথোকখ্রে।

হোকি মিজোরামগী ওইনা প্রসিদেন্ট জোথানকিমি অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি লালরিনফেলানা ষ্টেট অদুদা হোকি মশান্না অসিবু হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অহেনবা থাক্তা ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিবগা লোয়ননা মতীক চাবা কোচিং ষ্টাফশিং থম্বা অমদি মতমগা চুনরবা টেক্নিকশিং শীজিন্নবা ঙমহনখিবগীদমক হোকি ইন্দিয়ানা ষ্টেট অদুগী হোকি য়ুনিটপু খ্বাইদগী ফবা য়ুনিটনি হায়না মিংথোল পীখিবনি।

হোকি মিজোরামগী প্রসিদেন্ট জেথানকিমিনা ফোঙদোরকপদা, হোকি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থম্লকখিবা চৎন-কাঙলোন অদুগী মনুং চন্না ষ্টেট অদুদা পায়খৎলকপা খোঙথাংদা শকখঙলকপা অসি হরাউনিংঙাইনি হায়খি। মখা তানসু ষ্টেট অদুগী অফবা শান্নরোয় পুথোকপগী পান্দম থল্লি।





HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

## খেলো ইন্দিয়া গেমসগী এদভর্টিজমেন্ট লান্না থাগৎলম্বা ৩ ফারে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হন্দক্তগা খেলো ইন্দিয়া গেমস ২০২১গী মতাংদা লান্না এদভর্টিজমেন্ট থোক্তুনা শান্নরোয়শিংদগী শেল খোমগৎলম্বা মীওই অহুম উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ফারে হায়না ফোঙদোরক্লি।

কিরেন রিজিজুনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া গেমসকী মাংওইননা শান্নরোয়শিংদা অরানবা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙদোক্তুনা গেমস



অসিদা শরুক য়ানবগীদমক শেল খোমগৎলম্বা আগ্রাদগী সঞ্জয় প্রতাপ সিংহ, অনুজ কুমার অমসুং রবি ঙসি অয়ূক উত্তর প্রদেশ পুলিসনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অমগী মতুংদা ফারে হায়না ফোঙদোরকখি।

উত্তর প্রদেশকী সিটি আগ্রাগী পুলিসনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অদুগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অদুগী সাইবর সেলদা খুৎশিন্নদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবদা মীওই অহুম অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তারদুনা সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা, আগ্রাগী বাহ টেহশিলদগী মীওই অমনা এদভর্টিজমেন্ট অদু থাগৎলকপনি। থা অসিগী ৪দা এস এ আইগী মায়কৈদগী লাকখিবা এফ আই আর অদুগী মতুং আগ্রা পুলিসকী এস এস পি বব্লু কুমারনা লুচিংদুনা মীওই অহুম অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি। খেলো ইন্দিয়া গেমসতা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিংদগী শেল লৌবগী মতাং অমত্তা লৈতে হায়না মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি।





HL/B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com